**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 29-04-2026)**

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি-রাজ্য অসিদা হৌজিক শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা পুরক্কে হায়রবদি লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা কাংলুপ খুদিংমকা ফম্মীন্নদুনা ৱারী শান্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

ৱাফম অসি ঙসি লংথবাল বিধান সভা কেন্দ্রগী মনুং চনবা হাওরৈবী, চজিং করাম অমসুং লিলোং চজিং ৱাটর সপ্লাই স্কিমগী ওগমেন্টেসন অমসুং নরানকোজিন ময়াই লৈকাইদা শাবা চীংখাং কম্ম্যুনিতি হোল য়াওনা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিং শঙ্গাবগী থৌরমদা মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মহাক্কী অনৌবা সরকার অসিনা মহৌশাগুম তংদু লৈতাবা পুন্সিদা হনজিল্লকবগীদমক থবক কয়া পায়খৎলিঙে চৈরক্তা কনাগুম্বা খরনা থুগায়নবা হোৎনবা অসি য়ামা লাইবক থিবনি। চাউখৎপা লমদম অমা ওইরকবা হোৎনবদা শান্তি হান্না পুরকপা হায়বসিনা অমত্তা ঙায়রবা লন্বীনি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মীয়ামনা পেন্দবদগী হৌরক্লিবা ইহৌ কয়াদা নাউরি য়াওনা অশোক অপন নংবা য়াবা খুৎলায়শিং পায়দুনা ইহৌ হৌবা হায়বসি য়ামা লাইবক থিবনি।

**গভনর(এল)ঃ** তমেংলোং জিলাগী হৌগাইলুংদা লৈবা পৌ সঙ্কর কানে বিদ্যালয়গী নৌনা শাবা বিল্ডিং ঙসি ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা শঙ্গাখ্রে। বিল্ডিং অসি দোন্নর মন্ত্রালয়গী শেন্থং মখাদা শাবনি।

থৌরম অদুদা রাজ্যপালনা পুর্বা সিমা বিকাশ প্রটিস্থাননা রাজ্যগী মনুং হুনজিনবা মফমশিংদা চাউখৎ থৌরাং অমসুং শিক্ষা ফগৎহন্নবা লৌরিবা থৌদাংবু

থাগৎপা ফোংদোকখি।

রাজ্যপালনা দোন্নর মন্ত্রালয়গী মখাদা লৈবা নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিল-শিল্লোংনা মতেং পাংলকপগীদমক থাগৎপসু ফোংদোকখি।

**কংগ্রেস(এল)ঃ** ইন্দিয়ান নেসনেল ত্রেদ য়ুনিয়ন কংগ্রেস-ফেদরেসন (আই.এন.টি.য়ু.সি) গী নৌনা খল্লক্লবা প্রসিদেন্ট-এম.দি. তাজ্দ্দিন সাহবু তরামা ওকপগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফালগী কংগ্রেস ভাবনদা পাঙথোকখ্রে।

মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিনা শিনদুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা দল অসিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিং শরুক য়াখি। এম.দি. তাজ্দ্দিন সাহবু আই.এন.টি.য়ু.সি. ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট ওইরকপা অসিনা লমদম অসিগী মীয়ামগীদমক ত্রেদ অমদি কর্ম্মস সেক্তরগা মরী লৈনবা থবক থোরমশিংদা অচৌবা দায়ত্ব লৌরক্কনি হায়বগী থাজবা দল অসিনা ফোংদোক্লি।

**মৈ(এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কোরপোরেসন লিমিটেদ (এম.এস.পি.দি.সি.এল) না হায়রি-মমাংদা ইন্টরনেট সার্ভিসতা অথিংবা লৈরম্বনা সমার্ট প্রি-পেদ মিটরশিংদা মৈগী পৈশা লোয়খ্রবসু মৈ মুৎহন্দনা পীরম্বা অদু মথং থাগী মরিদগী হৌদুনা মৈগী পৈশা থিদোক্তবা কঞ্জুমরশিংগী মৈ পীররোই হায়রি।

এম.এস.পি.দি.সি.এলগী জেনরেল মেনেজর-এন.জি. কিরনকুমারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-হায়রিবা খুদোংচাদবা অসি মায়োকদনবগীদমক কঞ্জুমরশিংনা থিদোক্তনা লৈরিবা মৈগী শেনফমশিং হায়রিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা থিদোকবা খঙহল্লক্লি।

**নোং ঃ** মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি-হুমনি অসিদা অকনবা চুগনি হায়না ওরেঞ্জ এলার্ট লাউথোকখ্রে।

ইন্দিয়া মেট বিভাগনা হায়-অসাম, নাগালেন্দ, মিজোরম, মেঘালয়, ত্রিপুরা অমসুং সিক্কিমদা হায়রি মতম অসিদা অখাক অরাউ য়াওনা অকনবা নোং চুগনি।

মরক অসিদা, ইন্দিয়া মেট বিভাগ, ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি-মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুরবা য়াই। সেন্তর অসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-মফম খরদদি পুংদা কিলোমিতর ৩০ দগী ৪০ ফাওবা য়াংনা শিৎপা নুংশিৎকা লোয়ননা নোং কন্না চুরবা য়াই। ফিভম অসি লাক্কদৌরিবা নুমিৎ হুমিদসু মায়োকরবা য়াই হায়রি।

অমরেমাদা, মিজোরামগী জিলা মরিদা নোংলৈ নুংশিৎনা য়ুম ৭৭ অমাং অতা থোকহনখ্রে। মসিগী মনুংদা আইজোলদা য়ুম ৩৯ য়াওরি।  মসিনা মরম ওইরগা জিলা ৯ দা ঙসিসু স্কুল ছুতি থাদোকখি।

**ঐচপিভি (এল)ঃ** ঐচ.পি.ভি. ভেক্সিনেসন কেম্পেইন ঙসি উখ্রুল জিলাদা পাক শন্না পাঙথোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট ইম্ম্যুনাইজেসন ওফিসকী চেরোল অমনা হায়-থা অসিগী হৌজিক ফাওবদা নুপীমচা ১০০ হেন্না হিদাক কাপথোকখি।

ঐচ.পি.ভি. ভেক্সিনেসন কেম্পেইন অসি প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা চহি অসিগী ফেব্রুৱারী ২৮ দা হৌদোকখিবনি। কেম্পেইন অসিগী মনুং চন্না চহি ১৫ শুরবা নুপীমচা কোতি অমগা লাখ ১৫ দা হিদাক কাপথোকবা পান্দম থল্লি।

**কাংপোকপী(এল)ঃ** কুকি ৱিমেন্স ওর্গনাইজেসন ফোর হ্যুমেন রাইটস অমদি কুকি ৱিমেন য়ুনিয়ননা পুন্না শিনদুনা ঙসি কাংপোকপী জিলাগী থোমাস গ্রাউন্দগী হৌদুনা মীয়ামগী রেল্লি অমা চৎখ্রে।

তুংদা, জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারদা মোমোরেন্দম অমসু পীশিনখি।

**য়ান্ন-ৱারোল (এল)ঃ** বাইও টেকোলোজি বিভাগকী মখাদা লৈবা ব্রিক

ইন্সটিট্যুট বাইও রিছোর্সেস এন্দ সসটেনেবল দিবলপমেন্ট (ব্রিক-আই.বি.এস.দি) ইম্ফালগা মনিপুর টেকিকেল য়ুনিভরসিতিগা ঙসি য়ান্ন-চে অমা সহি তৌনখ্রে।

য়ান্ন-চে অসিগী মনুংদা ব্রিক আই.বি.এস.দিগী রিছার্স স্কোলারশিংনা মনিপুর টেকিকেল য়ুনিভরসিতিগা পি.ঐচ.দি প্রোগ্রামশিং শরুক য়ানবা, রেজিষ্ট্রেসন তৌবা য়াহনবা, ইন্সটিট্যুসন অনিনা রিছার্স তৌমীন্নবা, সেমিনারনচিংবা পুন্না পাঙথোকমীন্নবচিংবা য়াওরি।

**কাউন্সিল(এল)ঃ** কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এদুকেসনগী ক্লাস টুয়েল্বকী ইম্প্রুপমেন্ট ইগজামিনেসনগী এপ্লিকেসন ফোর্মশিং পীশিনবগী মতম লাউথোক্লে।

কাউন্সিলগী সেক্রেটরি-কে.ঐচ. অশ্বিনিকুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-সবজেক্ট মরি ফেল ওইরবা ইম্প্রুপমেন্ট থাগদবা মহৈরোইশিংগী ওইনা মখোয় মখোয়গী ওরিজিনেল মার্কসিট অমসুং দরকার লৈবা ফিগা লোয়নননা এপ্লিকেসন ফোর্মশিং মথং থাগী ২০ ফাওবগী মনুংদা পীশিনগদবনি।

**মীখল ঃ** নোংচুপ বেঙ্গোল বিধান সভা মীখলগী অনিশুবা অমদি অরোইবা তাঙ্কক্কী ভোট ঙসি থাদনখ্রে। ভোট থাদবগী চাং চাদা ৯০ রোম য়ৌখি।

তাঙ্কক অসিদা জিলা ৭- কোলকাতা, হাউরা, নাদিয়া, নোর্থ ত্বেন্তিফোর পরগনাজ, সাউথ ত্বেন্তিফোর পরগনাজ, হুগ্লি অমসুং পুরবা বরদমানগী বিধান সভা কেন্দ্র ১৪২ দা ভোট থাদনখি।

মীখল অসি নিয়ম চুমা অমসুং শান্তি ওইনা পাঙথোকপা ঙমবা সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী কম্পনি লিশিং ২,৫০০ য়াওনা ক্বিট রেস্পোন্স টিম লিশিং ৬ হেনবনা পোল্লিং ষ্টেসনশিং চেকশিন্না ঙাক শেনখি। পোল্লিং ষ্টেসন খুদিংমক্তা সি.সি.টি.ভি কেমেরা খিন্দুনা ওফিসিয়েলশিংনা কুপা য়েংশিনখি।

অসাম, তামিল নাদু, নোংচুপ বেঙ্গোল, কেরলম অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি পুদুচেরিগী ভোট মশিং মথং থাগী মরিদা পুন্না থিগনি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি উত্তর প্রদেসকী হারদোই জিলাদা কিলোমিটর ৫৯৪ শাংবা গঙ্গা এক্সপ্রেস ৱে হাংদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-চহি লিশিং কয়া গঙ্গা তুরেলনা রাজ্য অসিগী লাইফ লাইন ওইদুনা লাক্লি। অসিগুমা ঙসি হাংদোক্লিবা এক্সপ্রেস ৱে অসিনা রাজ্য অসিগী চাউখৎ থৌরাংগী লম্বীদা অনৌবা লাইফ লাইন অমা ওইরগনি। এক্সপ্রেস ৱে অসিনা রাজ্য অসিগা অতোপ্পা রাজ্যশিংগী মরক্তা চৎথোক চৎশিন হেন্না লায়থোকহন্দুনা ইন্দষ্ট্রিয়েল ইনভেষ্টমেন্ট, লোজিষ্টিক, এগ্রীকলচরেল মার্কেটিং অমসুং রিজনেল বেলেন্সতসু কান্নবা কয়া পীরগনি।

উত্তর প্রদেস এক্সপ্রেস ৱেজ ইন্দষ্ট্রিয়েল দিবলপমেন্ট ওথোরিতিনা শেন্বা এক্সপ্রেস ৱে অসিনা রাজ্য অসিগী নোংচুপ, ময়াই থংবা অমসুং নোংপোক থংবা শরুকশিং সিঙ্গল হাই স্পিদ কোরিদোরগী খুথাংদা শমহল্লগনি অমসুং মসিনা রাজ্য অসিগী খ্বাইদগী শাংবা এক্সপ্রেস ৱে ওইরগনি।

এক্সপ্রেস ৱে অসিনা রাজ্য অসিগী জিলা ১২-মিরুত, হাপুর, বুলান্ধর, হারদোই, উনাউ, রাই-বরেলি, প্রতাবগর অমসুং প্রয়াগরাজ ফাওদুনা চৎকনি।

**জয়ঙ্করঃ** মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করনা হায়রি-অহোংবা অমসুং তংদু লৈতাদবা কয়ানা থল্লবা মালেম অসিদা ইন্দিয়ান দিপ্লোমেসিনা লৈবাক্কী ওইবা ৱাখল্লোন মাংদা থমদুনা পান্দম কয়া ফংনবগীদমক খোঙফম হোংদনা লেপলি।

ৱাফম অসি ঙসি ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা ১১ শুবা হেদস ওফ মীসন্স কনফরেন্সতা মনিপুরনা লৈবাক অসিগী হায় কম্মিস্নার অমসুং এম্বেসেদরশিংদা ফোংদোকখিবনি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মন্ত্রিনা হায়-হৌখিবা চহি

তরা অসিদা ইন্দিয়ান দিপ্লোমেসিশিংগী মতেংনা লৈবাক অসিনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়াগা অফবা মরী কয়া থম্বা ঙমহল্লিবনি।

**রাজনাথঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহগা ইতালিগী মহাক্কা ফম মান্নবা গুইদো ক্রোসেতোগা হয়েং ন্যু দিল্লিদা উন্নদ্না ৱারী শান্নরগনি।

ঙাকশেল মন্ত্রালয়গী ৱারোল অমনা হায়-মীফম অসিদা লুচিংবা অনিনা লৈবাক অনিনা ঙাকশেলগী লমদা তেংবাং পীনরিবা অমসুং মসিগা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা কুপা খন্নগনি।

ইতালিগী ঙাকশেল মন্ত্রিগী হয়েংগী খোঙচৎ অসিনা মহাক্কী অহানবা ভারত খোঙচৎনি।

**এলপিজিঃ** সরকারনা হায়রি-নোংচুপ এসিয়াদা তংদু লৈতাদবা ফিভম মায়োক রবসু লৈবাক অসিদা দোমেষ্টিক এল.পি.জিগী অৱাৎপা লৈতে।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকখিবা ইন্টর মিনিষ্ট্রিয়েল ব্রিফিংদা পেট্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাস মন্ত্রালয়গী সেক্রেটরি-সজাতা শর্ম্মনা হায়-লৈবাক অসিগী এল.পি.জি. দিষ্ট্রিব্যুটরশিংদা এল.পি.জি. গ্যাসশিং ৱাৎপগী পাউ লৈতে। মহাকা হায়-ওন লাইনগী খুত্থাংদা এল.পি.জি. গ্যাসশিং বুক্কিং তৌবগী থবকসু মহৌশাগুম লেপ্তুনা লাক্লি। ঙরাং ফাওবদা এল.পি.জি. টোন লিশিং ৮,৮৩৮ হেন্না য়োনখি।

**নদ্দাঃ** হকশেল অমসুং য়াইফ যুন্বাল মন্ত্রালয়না শিনদুনা গুদ এন্দ রেপ্লিকেবল প্রাক্তিসেস এন্দ ইনোভেসন্স ইন পব্লিক হেলথ সিষ্টেম হায়বসিদা ১০ শুবা জাতি থাক্কী মীফম হয়েং চান্দিগরদা পাঙথোক্লগনি।

নুমিৎ নিনি চথ্থগদবা মীফম অসি কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ যুন্বাল মন্ত্রি-জে.পি. নদ্দানা হৌদোক্কনি। মন্ত্রালয়না হায়-লৈবাক অসিদা হকশেলগী

ওইবা খুদোংচাদবশিং থেংননবগীদমক রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংনা লৌখৎপা য়াইফ থৌরাংশিং উৎথোক্কনি। মীফম অসিদা প্রাইমারি হেলথ কিয়ার, দিজিটেল হেলথ ইনোভেসন অমসুং সার্ভিস দিলিভরি সিষ্টেম মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া খন্নগদৌরি।

**গুজরাটঃ** গুজরাটকী সবরকান্তা জিলাদা বস অমগা কার অমা থোংজিন্নবদা মীওই তরুক লৈখিদ্রে, মরি অশোক অপন নংলে। থৌদোক অদু ঙসি নেসনেল হায়ৱে ৪৮ গী হিমত নাগরগী মফম অমদা থোকখিবনি। অশোকপশিং হোস্পিতালশিংদা লায়েংলি। অশোকপা মরিগী ফিভম লুনা লৈরি।

**ফুটবোল ঃ** শামুরৌ মখা লৈকাইদা চথুরিবা অনিশুবা মাইচৌ শামুরৌ চিংগোং ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি এস.দি.সি. গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা-ৱাই.এস.সি. অমসুং মীলন জোয় এফ.এ. পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

অতোপ্পা মেটচশিংদা-ওল স্তারনা সনামহি এফ.সিবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি অমসুং খুমন লৈবাক অমদি কৈনৌ এফ.সিনা পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎখি।

**ফুটবোল ঃ** ছাতিসগরগী নরায়নপুরদা পাঙথোক্কদবা চহি ২০ মখাগী স্বামী ভিভেকানন্দা নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৬ তা শরুক য়াগদবা মনিপুরগী টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** ৬৫ শুবা সার চুরাচান্দ সিংহ কে.সি.এস.আই, সি.বি.ই. মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ কী লেমহৌরিবা মেটচশিং মথং থাগী তরুক্তগী হান্নগী শান্নফমদা মখা চথরগনি হায়না ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরিগী চেরোল অমনা হায়রি।

**বেজ বোল ঃ** মনিপুর এম্যেচর বেজ বোল এসোসিয়েসননা শিনদুনা ষ্টেট লেবেল সব জ্নিয়ার বোইজ এন্দ গালর্স বেজ বোল চেম্পিয়নসিপ মথং থাগী অমদগী অনি ফাওবা য়ুনাইটেদ ফ্রেন্দ লাইব্রেরী এন্দ ক্লব-লম্বোইখোঙনাং মখোঙ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি। য়াওনিংবা ক্লব অমসুং য়ুনিটশিংনা মরী লৈনবা ফোর্ম হয়েং ফাওবগী মনুংদা লৌরনবা এসোসিয়েসননা হায়রি।